**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-04-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি-মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদম অসি বাইওদাইভরসিতিগী লমদা ইনাক খুল্লবা মফম অমা ওইরবসু মসিগী কান্নবশিং নীংথিনা লৌবা ঙমদ্রি।

ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা বাইও টেকোলোজি রিছার্স এন্দ ইনোভেসন কাউন্সিল-ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও-রিছোর্সেস এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট (ব্রিক-আই.বি.এস.দি) গী কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-মনিপুরগী উমংশিংদা হৌরিবা উপাল-ৱাপালশিং খক্তা নত্তনা হিদাক ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিং, মনম নুংশিবা পাম্বীশিং, তোঙান তোঙানবা চেংগুম মখলশিং অমদি অপিকপা তিল-কাং কয়াবু মীওইবদা কান্নগদবা মওংদা অমদি শেন্থেক লৈহন্নবগী মওংদা শিজিন্নবগী চাং য়ামা নেল্লি। অসিগুম্বা মমল য়াল্লবা মহৌশাগী পোৎলমশিং অসিবু মফম চানা শিজিন্ননবা হোৎনবদা আই.বি.এস.দি অসিনা চাউনা মতেং পাংলি।

রাজ্যপালনা হায়-মনিপুরদা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটসকী লমবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক ফিশাবীশিংনা অরিবা মতমগী ফিশা-লোনশাদগী খরা থৈদোক্তুনা হোংলক্লিবা অনৌবা মতমগী য়াওলগা চুশিন্নবা য়াবা খোঙথাংশিং পায়খৎপা তঙাইফদে। রাজ্যপালনা হায়-

**ডে(এল)ঃ** ৱার্ল্ড মেলারিয়া ডে-২০২৫ গী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ মেদিকেল ওফিসারগী ওফিস কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি

ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা হায়-মীওইবনা করিশু লৈতবা অপিকপা জিবনি হায়না খল্লিবা কাংনা মীওই অমগী পুন্সিদা চাউনা খুদোংথিবা থোকহনবা য়াই হায়বসি ঐখোয় পুমমকা খন্থমীন্নবা চুম্মী। মরম অদুনা, মীপুম খুদিংমকা য়ারিবমখৈ কাংনা চিকহন্দনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: চল্বো গোলমৈনা হায়-মীয়ামবু মশা-মউ ফনা নুংঙাই য়াইফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌগদবনি। হকশেলগী লম হায়বসি মীওইবগী সেবাগীদমক কৎথোক্লবা শিনফমনি হায়না মালেমগী মীয়ামনা ইকায় খুমরিবনি। মরম অদুনা, শিনফম অসিদা থবক তৌনবগীদমক ত্রেন্নিং তৌবা অমদি তম্বগী থবক্তা মমিং খক্তগী ওইনা তৌরোইদবনি।

থৌরম অদুদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চিফ মেদিকেল ওফিসর ডা.এল.জয়কুমার য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ইন্টিলেকচুয়েল প্রোপরতি ডেগী থৌরম ঙসি থৌবালগী ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল ওক্রমদা লৈবা কলেজ অসিনা মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাস্তেক) কা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুর লৈঙাক্কী সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী সেক্রেটরি-কেঙু জরিংলা অমসুং ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার ঐচ. মনোরঞ্জন শর্ম্মা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লুৱাংশংবম (এল)ঃ** বিগ দাটা, সাইভর সেক্যুরিতি অমসুং আর্টিফিসিএল ইন

টলিজেন্সকী মতাংদা চয়োল অমা চুপা লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজতা চথরকপা ৱার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নৈলিট ইম্ফাল অমসুং লিবরেল কলেজনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ মনুংদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা লিবরেল কলেজগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার-এন. সঞ্জয় সিংহ্ য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ফাউন্দেসন (এল)ঃ** ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ৮ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেম্বম বিক্রমনা হায়-জিলা অসিদা লৈরিবা পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি। পাউমীশিংনা মথৌ পাঙথোকপা মতমদা তৌবা য়াবা অমসুং য়াদবশিং নীংথিনা ঙাক্তুনা মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা পাউ পীনবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মোইরাংগী এম.এল.এ. থোঙাম সান্তিনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী ই-পাউ খোমদুনা মায়ামদা মিৎ-নাকোং ওইনবা হোৎনরিবা জিলা অসিগী পাউমীশিংবু থোইদোকা থাগৎফম থোকই। ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ওফিস অমা অথুবা মতমদা শাননবা ময়াম পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**মীলাল (এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) না রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ, প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন-মনিপুরগা পুন্না খুৎশমদুনা ত্রিপুরাদা হৌখিবা থা অসিগী ১৭ তগী পাক শন্না মীতৈ ময়েক

তন্বীবগী থৌরমশিং পাঙথোরকপা অদু লোয়শিনখ্রে।

হৌজিক ত্রিপুরাদা লৈরিবা মীলালগী প্রসিদেন্ট-খাইদেম ইঙোমচানা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ত্রিপুরাগী অভোইনাগর, পুখ্রি লৈকাই, বেরিমুরা, বামুলিয়া, লাচিংমুরা অমসুং বিসালঘরনচিংবা মফমশিং য়াওনা পুন্না মফম ১৭ তা মীতৈ ময়েক তন্বীখি। ময়েক তন্বীবগী থবক অদু মহাক মশামক য়াওনা মীলালগী মরুওইবা থৌমী মঙানা চথখিবনি। মসিগী মতাংদা খাইদেম ইঙোচানা অসুমা হায়-

**শিব সেনা (এল)ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-নেসনেল হায়ৰেশিং অসি কেন্দ্র সরকারগীনি অমসুং মসিবু নীংথিনা য়েংশিনবা হায়বসি তৌফম থোকপা থৌদাং অমনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সাহেব উধপ থাক্রে ভবনদা পাউমীশিংদা ৰা ঙাংবদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-নেসনেল হায়ৰেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা লৈঙাকা থবক লৌখৎলবসু মদুবু মপুং ফানা হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। লন্বীশিং অসিদা আইননা য়াদবা মওংদা চথরিবা থৌওংশিং অসি লেপহন্নবা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎনবসু শ্রী তোম্বীনা তকশিল্লি।

**ককচিং (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং বজারদা লৈবা ব্লোক কংগ্রেস কমিতিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ডা: বিমোলনা ককচিং বজার য়ৌরকপা মতমদা মফম অদুগী মীয়ামনা এম.পিবু হরাউ তয়ামা ওকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল

ৱেলফিয়ার ওফিস-ককচিংনা পুন্না শিনদুনা নসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি দি.সি. ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদু আই.সি.দি.এস. ককচিংগী মখাদা লৈবা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংগী ওইনা মরুওইনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিংগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ঙসি খা মনিপুর কলেজতগী ককচিং ৱাইরি কামালা পরেং ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা হায়-কামালা পরেংদগী খোঙনাং মরি ফাংবা ফাওবগী লম্বীগী শরুকসু অথুবা মতমদা শেমজিনবা হৌরগনি। এম.এল.এগী খোঙচৎ অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সকী শেমগৎ শাগৎলিবা সেক্যুরিতি বেরেককী ফিভমসু য়েংশিনখি।

**য়ুসিএম (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) লমলাই য়ুনিটকী থৌ পুবশিং শিন্দোক শিনজিন তৌখ্রে। মসিগী মতাংদা লমফেলদা লৈবা য়ু.সি.এমগী ওফিসতা য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট-ৱাই.কে. ধিরেননা মীফম মপু ওইদুনা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**ক্রুপ (এল)ঃ** মুম্বাইদা মথং থাগী অমদগী মরি ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্যেল এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট সমিটতা রিদমস ওফ মনিপুরগী কলচরেল ক্রুপ শরুক য়াগনি হায়রি। সমিট অসিদা শরুক য়াগদবা রিদমস ওফ মনিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী প্‌কিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২১ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**রোজগারঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-জাতি অসিবু শেমগৎলকপদা নহারোলশিংনা শরুক য়ারকপনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিনদুনা মালেমগী মমাংদা শিংথানিংঙাই ওইবা থাক অমদা লাকপা হৌরে।

লৈবাক অসিগী নহারোলশিংনা কন্না হোৎনবা অমদি অনৌবা ইনোভেসন কয়া পুথোকপনা ভারতকী তৌবা ঙম্বা শক্তি মালেমগী মমাংদা উৎপা ঙম্লক্লি।

তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা নৌনা থবক চংলবা মীওই লিশিং ৫১ হেনবদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা থবক চংবগী চেরোলশিং য়েন্থোকপগী থৌরম রোজগার মেলাদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসি থবক চংবগী চেরোলশিং ফংলবা নহারোলশিং অসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা, লৈবাক মনুংগী ঙাকশেলগী থবক ফগৎহনবা অমসুং মচাক মথুমশিং মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা হৌরগনি।

**এদভাইজরিঃ** মেদিয়া চেন্নেলশিংনা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা ওপরেসন চথবগী লাইফ কভরেজ তৌবদা ঙাকা চৎকদবা চৎন-কাঙলোন কেন্দ্র সরকারনা

থোকখ্রে।

ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না থোকখিবা এদভাইজরি অদুদা হায়-টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা চথবা ওপরেসন অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবগী পাউ লাইফ ওইনা শন্দোক্তুনা খঙহনবনা জাতিগী ঙাকশেলদা অকায়বা কয়া থোরক্লি। মরম অদুনা, মেদিয়া চেন্নেলশিং, দিজিটেল প্লেটফোর্মশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি সোসিএল মেদিয়া শিজিন্নরিবা লন্নাই মীওইশিংনা জাতিগী স্বার্থদা য়েংলগা অসিগুম্বা থৌওংশিং খুদক্তা তোক নবা হায়রি।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মিরগী পাকিস্তানগা লোন্নবা লাইন ওফ কন্ত্রোল পরিংগী মফম কয়াদা পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপদবগী থৌশিল থ্গায়দুনা কাইহৌরুবা তৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। ভারতকী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনসু মদুগী মতিক চাবা পাউখুম পীদুনা খুৎ হনখ্রে।

সরকারগী পাউনা হায়-অদুমওইনমক, থৌদোকশিং অদুদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে। পাকিস্তাননা চথরক্লিবা থৌওং অসি এল.ও.সি. পরিংদা শান্তি লৈহন্দনবা থওইনা চথরকপা থৌওং অমনি। হৌজিকসু ঙমখৈ পরিংগী মফম কয়াদা ভারতকী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা শেন্নদুনা লৈরি।

মরক অসিদা, পাহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথরকখিবা অদুগী মতাংদা ভারত লান্মী অমসুং অতৈ এজেন্সি কয়ানা চুংশিন্নদুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

**উরানঃ** সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিদা উরান স্কিমগী মখাদা পেসেঞ্জর কোতি ১ গা লাখ ৪৯দা অহোংবা মমলদা এরোপ্লেন তোংদুনা চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাবা পীরি। স্কিম অসি কুমজা ২০১৬কী ওক্তোবর থা দা হৌদোক্তুনা

লৈবাক অসিগী হান্না নোংথক্কী লম্বীগী খুদোংচাবা লৈরমদবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইয়রপোর্টনচিংবা শেমগৎতুনা মীয়ামা নোংথক্কী লম্বীদা চথোক চৎশিন তৌবগী খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি।

সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না হায়-লৈবাক অসিদা উরানগী লম্বী ৬২৫ মথৌ তৌরি। মসিনা লৈবাক মনুংগী ইয়রপোর্ট ৯০ শমহল্লি। মন্ত্রালয়না হায়-ইং কুমজা ২০১৪ দা লৈবাক অসিদা ইয়রপোর্ট ৭৪ ওইরম্বদগী ২০২৪দা ইয়রপোর্ট ১৫৯ ওইদুনা চহী ১০ অসিদা ভারতকী ইয়রপোর্ট নেটৱার্ক শরুক অনি হেন্না চাউথোরক্লি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চহি ১৩ গী মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.ভি.এনা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ইশোক এফ.সিনা পোলোই ফুটবোল ক্লবপু তাইব্রেক্তা পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১০ শুবা লেট টি.ঐচ. কুমার সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল লিগ কম নোক আউট ওপন তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-তাইদা তৌবুলনা নুংশাই এফ.সি-নংশাই চিরবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা লাইরেম্বী এফ.সি. লৈমপোকপমনা এল.কে. ডব্লিয়ু.সি. লৱার কোমবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌগল্লুপ-সেক্তানা শিনদুনা সোসিএল স্পোর্টিং ক্লব-সেক্তাগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরকপা তরুকশুবা সেক্তা ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আই.এন.জে.সি. নুঙ্গোইনা হাউরৈবী এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-ই.য়ু.এস.সি-তেললৌনা মোবাইল এফ.সি-উয়ুমপোকপু পাঞ্জল ৩-১ দা, গোল্ড এফ.সি. কিয়ামগৈনা এস.এস.সি. শওম্বুংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রনা য়াইস্কুল কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২২-৮ দা থোইখি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট এদুকেস্নেল ট্রেন্নিং-ককচিংনা শিনদুনা হৌখিবা তাং ২৪ দগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চথরকপা মহৈরোইশিংগী ওইবা এন্যুয়েল ইন্টরস স্পোর্টস মিট ২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে।